# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফালদা ঙরাং থুংলখিবা ১৬ শুবা ফাইনান্স কন্মিসনগী মীহুৎ কাংবুবু মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না তরামা ওকখ্রে, জগোই ঈশৈগী থৌরমশিং য়েংহনখ্রে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী উরুপ ময়াই লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা কে.ৱাই.কে.এল(সোরেপা)গী মীওই মরি পুলিসনা ফারে।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মালেমগী ওইনা শিংনবা কয়া হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী লম ঙাক শেন্ননবা ভারত নেভিগী শক্তি হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

------

কন্মিসন (এল)ঃ ১৬ শুবা ফাইনান্স কন্মিসনগী চেয়রমেন ডাঃ অরবিন পানাগরিয়ানা লূচিংবা কন্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙরাং ইম্ফালদা থুংলরে। মীহুৎ কাংবু অদুবু তরামা ওক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাং অহিং চাকলেন অমা শিনখি। লোয়ননা জগোই ঈশৈগী থৌরমশিংসু পাঙথোকখি। মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা লূচিংবশিংগা উন্নদুনা শেন্থং পীথবগী মতাংদা কুপা খন্নগনি।

টোই ত্রেন (এল)ঃ অৱাং পোৎশংবম খুনৌদা রাজ্য সরকারনা শেমগৎলিবা ৱাটর পার্ককী টোই ত্রেন ঙরাং চাংয়েং তৌখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- টোই ত্রেন অদু মণিপুর পুলিস হাউজিং কোর্পোরেসনগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার য়াওনা চায়েং তৌখিবনি।

রেস্ক্যু (এল)ঃ রাজ্য পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা উরুপ ময়াই লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চঋবদা কে.ৱাই.কে.এল(সোরেপা)গী মীওই মরি ফারে। মখোয়দগী এস.এল.আর অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফলস অমা, মারুতি জিপসি অনি অমসুং অতৈ আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফংলে। মখোয়না ফাজিনদুনা থম্লম্বা মীওই অনিসু কনবা ঙমলে হায়রি।

অমরোমদা, মমাং থাগী ৩১ দা সেনাপতিগী মীওই অমা ফুবদা চেন্নবনি হায়বা তাওথোং অয়ুংবীদগী মীওই অমা ঙরাং মণিপুর পুলিসনা ফারে। মহাক পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা মখা তানা ৱাহং পাউহং চঋরি।

মরক অসিদা, চুরাচান্দপুরগী তুইবোং বজারদা লৈবা দুকান খরদগী ঙরাং পুলিসনা য়ুঙাং অমসুং বিয়ার ফাগৎলে হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা সিতা অমসুং মিসন ভেংদা কেন্সরগী মতাংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই য়াওনা পুন্না মীওই ২০০ রোমা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নাগা হিলসকী পুরদা কুমজা ১৯৫৭ কী নবেম্বর ৭ তা নাগা ইন্সরজেন্টশিংগা খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা রাইফলমেন প্রেম সিং থাপাবু নিংশিংদুনা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা পাঙথোকখ্রে হায়রি। চান্দেল শল্লুক ভিলেজদসু অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কেক শাবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংগী স্কিল ৱার্কসোপ অমা পাঙথোকখ্রে। ম্যান্মার ঙমখৈগা তাইননা লৈবা কৈইনসিং, নামলি অমসুং বুনপুনদা অসাম রাইফলসনা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

কনফরেন্স ঃ অসাম রাইফলসকী ইন্সপেক্তর জেনেরেলশিংগী মীফম অমা নহালদগী শিল্লোংগী লাইটকোরদা লৈবা দাইরেক্তোরেট জেনেরেল অসাম রাইফলসকী হেদক্বাটরসতা চথরকখিবা অদু ঙরাং লোইশিনখ্রে। নুমিৎ নিনিগী মীফম অদু অসাম রাইফলসকী দাইরেক্তর জেনেরেল, লেফটনেন্ট জেনেরেল-বিকাশ লখেরনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ফোর্মেসন কম্মান্দরশিং, বত্তাল্লিয়ন কম্মান্দরশিং অমসুং ষ্টাফ ওফিসারশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা লেফটনেন্ট জেনেরেল বিকাশ লখেরানা হায়-শিংনবা কয়াগী মরক্তা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা অমদি ঙাকশেলগী লমদা শিংনরক্লিবশিং থেংননবা হোৎনবদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা থৱায় য়াওনা মথৌ তৌগদবনি।

মীফম অদুনা অসাম রাইফলসতা লান থেংনবগী তৌবা ঙম্বা শক্তি হেনগৎহন্নবা, অনৌবা মতমগা চুনবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈননবা অমসুং লান্মীশিংগী হৈ শিংবা হেনগৎহন্নবগী মতাংদা মপুং ওইনা খন্ন-নৈনখি।

ৱেদর (এল)ঃ নীংথম থাগী মতম হৌরকপগী লোয়ননা রাজ্য অসিদা শাবগী চাং তপা তপা হন্থরক্কুনা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা ইংবা হৌরে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা থাদোরকপা ৱেদর রিপোর্টকী মতুংইন্না ঙরাং সেনাপতি জিলাদা সেলসিয়স দিগ্রি ১১.০৪ য়ৌনা ইংখি। তমেংলোং, কাংপোকপী, ককচিং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতনা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৫ য়ৌখি। ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৬, চুরাচান্দপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৭ অমসুং নোনেদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৯ গী চাংদা ইংখি।

উত্রা শঙলেন (এল)ঃ উত্রা শঙলেন শেমজিনবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা ইঙা থাদগী লাইফম অসিদা মীয়ামা লাই খুরুম্বা অমদি লাইগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারমদবা অদু মপুং ফানা শেমজিনবা লোইরে। মরম অদুনা মীয়ামা

হান্নগুম লাই খুরুম্বা লাকপীনবা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী চেরোল অমনা হায়রি।

এআইটিআই (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া তনজিম ই ইনসাফ (এ.আই.টি.আই) লিংখৎখিবগী ১১ শুবা কুমওন থৌরম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি মণিপুরদসু লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবী বুয়া সলমময়াদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদসু পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মালেমগী ওইনা জিও-পোলিতিকেল অমসুং ঙাকশেলগী লমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগী য়েংলগা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী লম ঙাক শেন্নবগীদমক ভারত নেভিগী শক্তি হেনগৎহনবা তঙাইফদে।

গোৱাদা ঙরাং পাঙথোকপা ডে এট সিগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- কিলোমিতর লিশিং ৭,৫০০ হেন্না শাংবা ভারতকী ঈশিংগী ঙমখৈবু নিংথিনা শিজিন্নরবদি লমদম লমদমগী মরক্তা কন্নেক্তিভিতি হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক খুদোংচাবা কয়া লৌবা য়াই। ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা হায়রিবা খুদোংচাবশিং অসি শিজিন্নবা কান্নগনি।

থৌরম অদুদা ভারত নেভিনা উৎপা থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবা কয়া রাষ্ট্রপতিনা য়েংখি।

মোদি ঃ ভারতকী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি- ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরুপ মপাং ওইবগী মরী অসি মায়থোং য়াম্মী অমসুং অখন্নবা অমনি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রনধির জৈসৱালনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা নৌনা খল্লবা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পতা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরী অসি মালেমগী ওইনা য়েংবদা য়ামা

মরুওইবা মরী অমনি। শ্রী জৈসৱালনা হায়- ভারত অমসুং আমেরিকানা মীওইবা খুন্নাইগী হেন্না য়াইফনবা অমসুং শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা মখা তানা হোৎনখিগনি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক তৌনবগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা শ্রী জৈসৱালনা হায়- মমাং চহিদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ঈতিক তৌনবগী চাং আমেরিকাগী দোল্লর বিল্লিয়ন ১৯০ য়ৌখি। মহাকা হায়- আমেরিকা অসি ভারতকী অনিসুবা খ্বাইদগী চাউবা লল্লোন ঈতিক্কী লৈবাকনি।

কানাদাগী ব্রাম্পতোনদা লাইশঙদা এটেক চখ্খরকখিবগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী জৈসৱালনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা ভারতনা কানাদা সরকারদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে অমসুং মরাল লৈবশিং ফাদুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা তকশিনখ্রে।

অমিত সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- সরকারনা অথুবা মতমদা নেসনেল কাউন্টর তেরোরিজম পোলিসি অমসুং তেরোরিজম থেংননবা থৌরাংশিং পুথোক্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং এন.আই.এনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নিনিগী এন্তি টেরর কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী সাহনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা শক্তি পায়রক্লবা মতুং, হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা তেরোরিজমগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী- জিরো টোলরেন্স এগেনষ্ট তেরোরিজম হায়বা ৱাখল্লোন অদু ঙসিদি মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোকখ্রে। হৌখিবা চহি তরা অসিদা তেরোরিজম থেংননবগীদমক অখন্নবা খোঙথাং কয়া লৌখৎতুনা লেপ্তুনা হোৎনরক্লি হায়নসু শ্রী সাহনা মখা তানা ফোংদোকখি। কুমজা ২০০৬ দগী ২০১৩ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা তেরোরিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোকশিংগা চাংদমবদা কুমজা ২০১৪ দগী ২০২১ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবা তেরোরিষ্টকা মরী লৈনবা থৌদোকশিং চাদা ৭০ হন্থহনবা ঙমলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হবার্ট স্কুলগী সিলভর জ্‌বিলি থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং, ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী টিম ইম্ফালদা থুংলখিবা অমসুং কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোতু)গী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীনবা লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলনা রাষ্ট্রপতিদা তকশিনখিবগী পাউশিং ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

গভর্নমেন্টনা মীচৈ তারিবসি হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোল কন্নবগীদমকি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফমনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, সনালৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, ঈচেল এক্সপ্রেস, নহারোলগী থৌদাং, মোর্নিং বেলনচিংবদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- মপানদগী লাকপা মীতোপ লোইনমক চংজফম পীবা হায়বদুদি ঙমলো নেসন অমা হিংবদা করি চংবগে হায়বদু ভাব তারবা খক্তদা থৌনা লাক্কনি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ফাইনান্স কম্মিসনগী টিম লৈঙাকা হরাউ তয়ামা ওকখ্রে হায়না সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংবা থেংনরে।

লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলনা কোতুবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসননি লাউথোকপীনবা প্রসিদেন্টতা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি, পাউ অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বঙ্গলাদেশ টেরর গ্রুপশিংদগী চেকশিন্নবা খঙহল্লি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

খুৎলায় পায়বশিংনা স্কুলগী হেদমাষ্টর ফুরল্লে স্কুল ষ্টাফশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------